# এল সঙ্গীতা দেবী ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেটচতা এন সি ক্লব অমদি ৱাফা মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকপা ২৬ শুবা এল সঙ্গীতা দেবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা এন সি ক্লব খোংহামপাৎ অমদি ৱাফা ৱাঙ্গোই মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা শন্নখিবা লীগ অসিগী ২৪ শুবা মেটচ ওইনা এস সি কে কোদোমপোকপী অমদি এন সি ক্লব খোংহামপাৎনা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এন সি ক্লব খোংহামপাৎনা এস সি কে কোদোমপোকপীবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্তিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪১ চৎপদা এস সি কে কোদোমপোকপীগী জর্সি নম্বর ৭ এন প্রেমজিৎনা শোয়বদগী আউল গোল ওইনা চন্দুনা মেটচ অসি এন সি ক্লব খোংহামপাৎনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা এস সি কেনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি এন সি ক্লবনা মায় পাকখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এস সি কে কোদোমপোকপীগী জর্সি নম্বর ২০ ঐচ চাউবা, জর্সি নম্বর ৭ এন প্রেমজিৎ অমদি এন সি ক্লব খোংহামপাৎকী জর্সি নম্বর ৬ এন বিপিনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বূক তৌখি।

মেটচ অসি টি ঐচ রাঘু, ৱাই শামরজিৎ, টি হেমন্তা অমদি এন জি অনন্দা না মথংশিংনা মথং শীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী ২৫ শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা জিসি সি আর পি এফ লাঙজিং অমদি ৱাফা ৱাঙ্গোইনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা জিসি সি আর পি এফ লাঙজিংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌকপদগী ৱাফা ৱাঙ্গোইনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্কুনা জিসি সিআর পি এফবু লাকশিন্না শান্নদুনা দিফেন্স খক্তদা মথৌ তৌহন্দুনা মীপায়বা পোকহনখি।

মদুগী মমল য়াল্লবা মহৈ অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ১২ চৎপদা ৱাফা ৱাঙ্গোইগী জর্সি নম্বর ১১ পামেলনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা জিসি সি আর পি এফ লাঙজিংনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা কন্না শান্নরকখি মেটচকী মিনট ৩৯ চৎপদা ৱাফা ৱাঙ্গোইগী জর্সি নম্বর ৫ বোরিসনা আউল গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্না লৈখি। অদুবু মেটচকী মিনট ৪২ চৎপদা টিম সিগী জর্সি নম্বর ১৪ কেরসননা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোয়রা ফাওবদা জিসি সি আর পি এফনা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি ৱাফা ৱাঙ্গোইগী মখুৎতা মায়থিবা নংহৌখি।

শান্নদখিবা মেটচ অসি এ দিলিপ, এল হরিমোহন, এস প্রেমকুমার অমদি এস ওনিলনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# শুট্টিং কোচ জসপল রণাবু দ্রোণচ্যার্যা এৱার্ডকী খল্লক্তবদা অভিনাভ বিন্দ্রনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি)ঃ

লমদম অসিগী শকখঙনারিবা শুট্টিং মশান্নাগী কোচ জসপল রণাবু দ্রোণচ্যার্যা এৱার্ডকী খল্লকতবা অসিদা ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট অভিনাভ বিন্দ্রনা সেলেক্সন পেনেলদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা সেলেক্সন পেনেলগী মশক মমিং তাকথোকনিংদবা মেম্বর অমনা হায়, মখোয়না লৌরিবা ৱারেপ অসি য়াম্না কূপ্না খন্নরবা মতুংদা মিচং মীখায় নাইদনা লৌখিবনি।

মহাক্কী মখাদা শান্নরিবা মনু ভাকর অমদি সউরবা চৌধরিনা চিংবা শান্নরোইশিংনা ট্রাগেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম ( টি ও পি)কী এফিদেভিটতা রণাবু মখোয়গী কোচনি হায়না অমত্তা মেলমদে। মসিদা মতৌ করম্না মহাকপু অফবা কোচ অমদা পীবা মনা অদু পীগদৌরিবনো? মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা মে দা মুনিছতা পাঙথোকীখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা মহাক পিষ্টোলগী কোচ অমা ওইনা চৎখি অদুবু টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল অমদা মানুগী পিষ্টোল অদু অনীরক হন্না মরু চপ্পাদা মহাক মফম অদুদা লৈরমখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা ওলিম্পিকতা মফম অমা মাঙজখি। মসিগীদমক্তা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈরবনি।

পনবা য়াবদি, এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল কয়ারক হন্না লৌরকখ্রবা রণা অসি মানু, স্বারব, অনিসনা চিংবা ৱার্ল্ড ক্লাস প্লেয়র কয়া পুথোকখ্রবা মীশক অমনি। সেলেক্সন পেনেল অসিনা দ্রোণচ্যার্যা রিগুলর কেটাগোরিগীদমক বেডমিন্টনগী কোচ ভিমল কুমার, টেবল টেন্নিসকী সন্দিপ গুপ্তা, এঠলেটিকগী মোহিন্দর সিংহ ধিলোনবু খনখি। অমদি দ্রোণচ্যার্যা এৱার্ড ইন লাইফ টাইম কেটাগোরিগীদমক হোক্কিকী মেজবন পতেল, কবাদিগী রামবির সিংহা খোখর অমদি ক্রিকেটকী সঞ্জায় ভারদৱাস খনখি। দ্রোণচ্যার্যা এৱার্ড অসি লমদম অসি শকখঙন্নরিবা মলেমগী থাক্তা মনা মথুম পপুরকপা ঙম্বা শান্নরোইশিং পুথোকপা কোচতা পীবা মনা অমনি মনা অসিদা সাইটেসন অমদি শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ য়াওরি।

# নেসনেল পৱারলিফটিংগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (এস এন এস)ঃ

ন্যু কোর্ছ বেহারদা থা অসিগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৪৪ শুবা সেনিয়র নেসনেল পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুন্নবা ষ্টেটকী সেনিয়র পৱারলিফটিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। ষ্টেটকী সেনিয়র পৱারলিফটিং টিম অসিদা নুপী শান্নরোই ৮, নুপা শান্নরোই ২ অমদি ওফি‘ওফিসিয়েল ২ পূন্নামি ১২নি।

নুপাগী টিমদা য়াওরিবশিংদি– কেজি ৫৯ কাঙলূপ্তা নুংলেপম বিজেনসনা সিংহ, কেজি ৮৩গী কাঙলূপ্তা রেসনিক পাওনমনি।

অদুগা নুপীগী টিমদা য়াওরিবশিংদি– কেজি ৪৭দা এস সুনিতা দেবী অমদি খুমুজম দেবিকারানি দেবী, কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা শানশম চাউবা দেবী অমদি অহনথেম সুনি দেবীনি, কেজি ৫৭গী কাঙলূপ্তা লৈমাপোকপম বেবিলোন দেবী, কেজি ৭২গী কাঙলূপ্তা এলাংবম চেসিকা দেবী, কেজি ৮৪গী কাঙলূপ্তা নামৈরাকপম মিরাবাই দেবী অমদি কেজি ৮৪ প্লসকীদা পি দিনেশ্বরি দেবীনি।

টিম অসিগগী মেনেজর এন্দ রেফরিনা নাওরেম সুশিলা দেবী অমদি টিম কোচনা কোন্সম রোসিদা দেবীনি।

# প্রসিদেন্ট কপ অন্দর–১৪ মেন এন্দ অন্দর–১৭ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ্তা হোক্কি য়ুনিয়ন অমদি ঐচ দব্লিউ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা নুপীগী টিম ৭না গ্রুপ–২ অমসুং নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা অহুমশুবা প্রসিদেন্ট গোল্ড কপ অন্দর–১৪ মেন এন্দ অন্দর –১৭ ৱুমেন হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী অন্দর–১৪ মেনদা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি ঐচ দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে অমদি অন্দর –১৭ ৱুমেন্সতা আইদেল ক্লব, তেরা বাজার মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা নুপাগী অনীশুবা মেটচ ওইনা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি সি ই ৱাই ও শিংজমৈনা শান্নখিবাদা হোক্কি লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা সি ই ৱাই ও শিংজমৈবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা, অনীশুবা ক্বার্টরদা, অহুমশুবা ক্বার্টরদা অমদি অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল অমমম চনখি। অদুগা মায়থিরবা সি ই ৱাই ও শিংজমৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা ক্বার্টরদা চনখি।

হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এস নেরসনা মিনট ৬, জর্সি নম্বর ১১ এন সনাতোননা মিনট ৫ অমদি ৩৭ দা গোল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ দব্লিউ দেরিসনা মিনট ৩৯ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা সি ই ৱাই ও শিংজমৈগীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ এস চলাম্বানা মিনট ১৮ চৎপদা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা কে ঐচ এস সি হোক্কি একাদেমি অমদি ঐচ দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা ঐচ দব্লিউ সি লংথবালনা কেঐচ এস সি হোক্কি একাদেমিবু য়াম লাকচন্না গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা গোল ২, অনীশুবা ক্বার্টরদা গোল ১, অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ৩ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ২ চনখি।

ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগী গোলশিং অদু– জর্সি নম্বর ২ নিটিকান্তনা মিনট ১, জর্সি নম্বর ৪ বিক্রমনা মিনট ২, ৩১ অমদি ৫৮ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৫ শেমসননা মিনট ২০ অমদি ৪৩ চৎপদা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৯ নেলসননা মিনট ৩৭ অমদি ৫৭ দা গোল ২ চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা আইদেল ক্লব তেরা অমদি মৈরা বাশিখোংনা শান্নখিবা নুপীগী অহুমশুবা মেটচতা আইদেল ক্লব তেরানা মৈরা বাশিকোংবু য়াম লাকচন্না গোল ১২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা আইদেল ক্লব তেরাগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা গোল ৪, অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ৩ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ৫ চনখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ সিলভিয়া চানুনা মিনট ১, জর্সি নম্বর ১২ টি নিহানা মিনট ৫, ৪৪, অমদি ৫৭ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৫ এল রিতুনা মিনট ১৩, ১৪, ৩৪ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ৫ অদুনা জর্সি নম্বর ৮ অঙোমসনানা মিনট ৪২, জর্সি নম্বর ৯ এন দিনানা মিনট ৫৩, ৫৬ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১১ টি অয়িংবীনা মিনট ৫৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ সি ঐচ তানুনা মিনট ৫৯ চৎপদা চনখি।

# ফিলিপি কাওটিনো বেয়ন মুনিকতা লোনদা শান্নরগনি



ব্রাজিল, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি)ঃ

ব্রাজিলগী প্লে মেকর ফিলিপি কাওটিনো ব্রাসেলোনাদগী লোন ওইনা বেয়ন মুনিকতা সিজন অসিগী ওইনা শান্নরগনি।

হৌখিবা সিজনদা শান্নবদগী পোথাখ্রবা অরজেন রোবেননা লিটলম্বা নম্বর ১০ গী জর্সি অদু কাওটিনোনা লীৎল্লগনি।

বেয়ন মুনিকনা ব্রাসেলোনাদা লোন ফি ওইনা ৮.৫২ মিলিয়ন ইয়ুরো পীবা অমদি কাওটিনোগী শেন্থং খুদিংমক মখোয়না পুথোকপা হায়না য়ান্দুনা লোনগী দিল অসি ক্লব অনী অসিগী মরক্তা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ান্নখিবনি।

পনবা য়াবদি মহাক হৌখিবা ২০১৮ গী ৱানুৱারিদা লিভরপুল থাদোক্কুনা ব্রাসেলোনাদা মলেমগী খ্বায়দগী তাঙবা প্লেয়রশিংগী ওইনা অহুমশুবা ওইনা ১৪২ মিলিয়ন পাউন্দ তা লৈখিবনি অদুবু মহাক্কি প্রফোমেন্স অদু লিভরপুলদা পীখিবা অদু য়ৌনা ব্রাসেলোনদা পীবা ঙমখিদে।

কাওটিনোনা ব্রাসেলোনাদা লৈরিবঁগ মতমদা মহাক্না ক্লবকীদমক হোৎনখিবাশিং দুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী তুংগী কেরিয়রদা য়াইফবতা ওইনবা ব্রাসেলোনানা ফোঙদোরক্লি।

বেয়ন মুনিককী সি ই ও কারল হৈনজ রুম্মেনিগিনা হায়, মখোয়না কাওটিনোবু মখোয়গী টিমদা পুরক্নবা হোন্নরিবসি য়াম্না কুইরে।

মহাকপু টিম অসিদা পুরকপা ঙম্বা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মহাক্কী শান্নবদা হে–শীংবা অসিনা বেয়ন মুনিককী এটেকতা মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# লাইনিং ঙাক–শেনবা নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (এস এন এস) ঃ

ওল ইন্দিয়া কংলা পাখঙবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটি কংলা ফমথৌনা শীন্দুনা ৭৩ শুবা থৱান ২৯ নি পানবা লাইনিং ঙাক–শেনবা নুমিৎ থৌরম লাক্লিবা ওগষ্টকী ২৯ দা মৈতৈগী শেংলবা কংলা লাইফমলেন্দা মালেম পাফল চিংখৎতুনা পাঙথোক্লগনি। মসিদা লৈবাক মীয়ানা শরুক য়াবিয়ু হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল ইংবা মঙাং য়ুম্নামচানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৱান ২৯ নি পানবা ১৯৪৭ তা ইনিংথৌ বুধচন্দ্রনা ১৭০৯ দগী পুয়া ময়েক লাইনিং পুথোকপা য়ারমদবা অমদি চীংগা তম্মীগা অমসুং অশেংবা পূনবা য়ারমদবা অদুবু ঙসিদগী পূম্নমক লৌথোক্লে হায়না লাওথোকখিবগা লোয়ননা বুধচন্দ্র অমদি লৈমরেল লাঙ্গোন চঙখোনবী মহারাণী অনীনা লাইফম চৎতুনা পরে চঙবিখি। থৱান ২৯ পানবা নুমিৎসি লৈরমদ্রবদি সলাই তরেৎকী মচাশিং ময়েক চৎনদবা, লাইনিং হঞ্জিনবা য়াদদুনা ফুরুপ মমি শাল্লম্বা য়াই।

লৈবাক নিংথৌ অমদি মীয়াম পূন্না চথরকপা থৱান ২৯ পানবা অসি হন্দক চহী ২০১৯ ওগষ্ট ২৯ দা থোক্লে। নুমিৎ অসিগী অয়ুক্কী পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ইনাৎ লাইনিংগা মরী লৈনবা থৌরম পাঙথোকমিন্নসি। হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকমীন্নসি। অঙম অঙম্বা থৌদাং লৌনদুনা অমত্তা হৈনা অপূনবগী শক্তম শাগৎমীন্নসি হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

# নোংমগী ওইবা এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল ওগষ্ট, ১৯ ঃ

“ময়াইকাবা চীঞ্জাকনা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং অমদি নুপী অঙাংশিংদা চথরিবা মীওৎ মীনৈ, মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং” হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং খুরাই কোন্সম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপ অমসুং খুরাই কোন্সম লৈকাই অপুনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরী, নোংথোম্বম রাধারানীনা হায়খিবদা, ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না থেঙনরিবা অৱাবশিং অসিগী মনুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকনা হৌরক্লিবা নহাশিং য়োৎশিল্লক্লিবা অসিসু অমন।

হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ইপাক্তা তাওরক্লিবা অসি মীয়াম চঙদুনা থিংবা মতম ওইরে।

মীয়ামগী মতেং য়াওদনা পুলিস, ক্লব অমসুং লৈকাই লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিং খক্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা ঙম্লোই।

হৌজিক মণিপুর পুলিসা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা দ্রাইভতা মীয়াম্না মতেং পাঙশিল্লসি হায়নসু মহাক্না অপিল তৌখি।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এসদিপিও এল সঙ্করজিৎ, পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন–চার্জ বিনোকুমার অমসুং নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেমা নচিংবা মশক নাইবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।




# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ইবোমচা অমসুং মহাক্কী কাঙবু ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (এস এন এস) ঃ

য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা নোর্থ ইষ্টকী খ্বাইদগী চাওবা হেরোইন নম্বর ফোর ফাবা ঙমখিবগী থৌদোক অমা হৌখিবা আগষ্ট ১৭ তা এস পি থৌবাল অমদি মহাক্কী কাংবুগা লোয়ননা থবক অসিদা অচৌবা থৌদাং মতেং পাংখিবা অঞ্জুমানগী থৌমীনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মোইজিংদা হেরোইন শুংফম ফেক্তরি অমা য়াম্না মায়পাক্না থুগাইবা ঙমখিবা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১৮০ রোমগী ব্রাউন্দ সুগর কে জি ১৮৪ ফাগৎপা ঙমখিবা অদুবু নিঙোল ক্লব হৈরোক্না অপেনবা ফোঙদোক্কুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা নিঙোল ক্লবকী সেক্রেটরী পব্লিসিটি মোইরাংথেম শান্তিবালানা হায়, মীওইবা খুন্নাইবু মাংহন্নবা শিনবশিংদগী খরদং ওইরবসু কনবা ঙমহৌবা অসিগীদমক এস পি থৌবাল অমদি মহাক্কী কাংবুনা অসিগুম্বা শিন্থানিঙাই ওইবা মওংদা ফাগৎপা ঙম্বা অসি ক্লব অসিনা ইকায় খুম্নবা হায়বসি অচেৎপা ফিরেপনি। মণিপুরবু অনীশুবা গোর্ল্ডন ত্রেঙ্গল অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনরক্লিবা মশাগী ওইজবদা খনবা মীওইশিং অসিবু ফাগৎতুনা মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা চোকথাবা নাইদনা হোৎনরিবা এস পি থৌবালবু লৈঙাক অসিনসু হেন্না চাওবা ইকায় খুম্নফম থোকই।

মহাক্না মখা তান হায়, অসিগুম্বা থবক থৌরম অসিদা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপিদুনা মীচং মীখাই নাইদনা চীফ মিনিষ্টরগী ‘ৱার ওন দ্রগস’ হেন্না মায় পাক্নবা অহেনবা থবক কয়া পায়খৎনবসু লৈঙাক অসিদা অপিল তৌখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা ময়াই কাবা নিশা কয়া থিংনবা লৈরিবা এন দি পি এস এক্ট ১৯৮৫, মণিপুর লিক্যুদ প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অমদি কোটপা এক্ট ২০০৩ এক্টশিং অসিবু এমেন্দমেন্ট তৌবিদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা এক্ট ওইহনবিনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী পূক্নিং চিংশিনজরি অমদি ষ্টেট অসিগী লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনসু হেন্না পূকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে। ময়াই কাবা নিশা কয়া লমদম অসিদা মপু মশক খঙনা অমদি খঙদনা থাজিল্লক্কুনা নার্কো কেমিকেল ৱারফিয়ার অমা লমদম অসিদা চঙশিল্লক্লি হায়বসি ঐখোয় পূন্না খঙমীন্নদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনবা মতম ওইরে। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবা ৱাফমদা ঐখোয়গী য়েক্লবা মশক খঙদোকপা মথৌ তারে হায়রিবা অসি ঐখোয় লায়না লৌফম থোক্তে। লমদম অসি মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা মশা মউ ফবা মীপাল তাংদবা লমদম অমা শেমগৎনবগী ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় খূদিংমক্না ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা পূন্না লেপমীন্নদুনা পূকচেল শেংনা লৈবাক খুন্নাইগী য়াইফনা থবক তৌরকপশিংগীদমক্তা ঐখোয় শৌগৎমীন্নরসি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুদা নিঙোল ক্লবগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ফাইনান্স লাইশ্রম রাজিয়া অমদি এগজিক্যুটিব মেম্বর লাইশ্রম নন্দিসু শরুক য়াখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com